থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

কনানা শাবনো খঙদবদুনি অনৌবা



পিকাশোগী মিং তাদবা, ঙসিগী নহা ওইরিবা মীরোলসিগী ওইনদি ঐ খঙদে, অহল খিত্তং ওইশিল্লক্লবা ঐগী মীরোলসিফাওগী ওইনদি লৈরমগনি থাজদে। অফাওবা লাই য়েকপা অমনি। ওক্টোবর ২৫, ১৮৮১ দা পোকখিবা, এপ্রিল ৮, ১৯৭৩ দা থুপখিবা স্পেনিস মচা লাই য়েকপা, মিতম শাবা, ২০শুবা চহীচাগী খ্বাইদগী মমিঙ চৎপা কলাকার অমনি। ক্যুবিজম হায়না খঙনবা আর্টকী ঈহৌ মখল অদু জিওর্জ বার্ক'গা লোয়ননা হৌদোকমিন্নরম্বনি হায়না শীংথানৈ। পিকাশোগী আর্ট অদু নৈনগে নীংনা পাউদম অসি ইজরুবা নৎচদে। খঙসু খঙদে। ঈতিক নত্তে ঐহাক্কী। অদুবু, মহাক্কী ব়ারী মতেক অমখক লীরগা অতোপ্পা পাউদম অমখক তমগে নীংজরুবনি।

মহাক্কী মরূপ অমখক, নোংমগী নুমিৎ অমখক পিকাশোগী লাই য়েকফমদা ব়ারী শাগে কোইথোক্লুই হায়। মহাক লাকই উদনা, মহাক্না য়েক্লিবা লাইদুদা পূক্লিং ব়াখল পুম্নমক লূপশিনবদু উবদা দিষ্টর্ব তৌবা পামদদুনা মচি অমদা ফল্লগা পিকাশোগী মতৌ য়েংলুবা কুম্ন্ধে ওইনা থোকখ্রদুনা, নুমিৎ খূদিং লাক্তুনা লাইদু য়েকপা লোইদ্রি'ফাও কুম্ন্ধে ওইনা য়েংলরে। লাই অদু মথম্মোয়না পাম্লুরে। য়েকপা লোইরদুনা য়োন্ননবা থেল্লকপদা দোল্লর লাখ কয়া পীদুনা পাম্মুবা খঙদা লৈরুরে।

মতম খরা লৈরগা মাগী লাই অদুগা চপ মান্নবা লাই কয়া লৈবাক শীনবা থুংনা চাইরকপদু উবদা মথব়ায় নুংঙাইত্রদুনা লাই অদু পুদুনা কিসোগী মনাক্তা লাক্লে। হায়রকই, 'মান্নবা লাই ময়াম অমা পূমচাই চাইনা ফংলিবসে, ঐহাকখঙই, অশেঙবা অমত্তা নত্তে... য়েকপা হৌবদগী লোইবফাও ঈশামক্লা শঙলগা শেন্নরকখিবা ঐনা পায়রিবা লাই অসি নখূৎমক্লা য়েকখিবা অশেঙবা লাই অদুনি... নঙগী অশেঙবা লাইদুনি খঙনবা নঙগী তুলি অদুনা খূৎয়েক অমা মচি অমদা পীবীয়ু...।'

পিকাশোনা খুল্লকখি, 'মান্নি, লাই অসি ঐনা য়েকখিবা অদুমক্লি, অদুবু মসি অশেংবা লাই অমদি নত্তে।'

মরূপ অদু চমম্নখি। করি হায়রিবনো খঙখিদে। 'মরূপ ঐনা পায়রিবা লাই অসি নঙনা য়েকখিবা অশেঙবা লাই অদুনিনে।'

'মান্নি। ঐনা য়েকখিবা লাই অদুমক্লি, অতোপ্পনা য়েকপা নত্তে। অদুবু লাই অসি ঐনা হান্না য়েকখিবা, মমাঙগী লাই ময়ামদুগী মতৌ তল্লগা য়েকখিবনি ঐগী অশেঙবা লাই নত্তে... অনৌবা অমা পুথোক্লবা ক্রিয়েটিভিটিগী ঈচেলদু মতমদুদা ঐঙোন্দা চেন্থরকখিদে...।'

'করিনো ক্রিয়েটিভিটিগী ঈচেল হায়বদি?'

'ঐনা অনৌবা লাই অমা য়েকপদা, পূমনৌ নৌবা অমা ক্রিয়েট তৌবদা ঐহাক, ঐ নত্তবা কনাগুম্বা অমা ওইবা তাই, ওরিজিনেল ওইবা তাই... মদু ঐহাক ওইখিদে।'

ব়ারীসিদগী খঙই ঐখোয় - শৈরেং ইবা, লাই য়েকপা, মিতম শাবা... অসিনচিংবা কলাকারশিং অসিনা মশাগী ওইবা অশেঙবা, ওরিজিনেল ওইবা পোথোক অমা পুথোকপা মতমদা মখোয় মশাবু কাউথোক্তুনা শকখঙদবা কনাগুম্বা অমা ওইরুই। কবি চাউবগী ব়াহৈদা 'মাইবীদা লাই তোংবগুম' মশাবু মশক খঙজদে, হায়বদি লাইগী মনাক নকপগুম্মী। করিনো খঙদবা শকওং অমা লৌরুববু লাইগী মনাক নক্লুবা! শিরবা মতুংগী লৈ/লৈতে খঙদবা তাইবঙদুবু লাইগী খুয়া তানখিবা! ওম্থোকপনি, মীওইবগী ব়াখল! করিনো খঙদবা মহাকপু কৌই ঐখোয়না পূম্নমকপু শেন্বীবা মপু! করিনো খঙদবা, ঐখোয়গী লৌশিংনা লাম্বা ফংদবা পোৎশক নৎত্রগা শক্তি (ইনর্জি) অদুবু ঐখোয়না ঈশ্বর হায়না মিংথোনবনি। তাইবঙপান অসিদা থোক্লি উরিবা শক্তমশিং - মপান নাইদ্রবা অহাংবা, মশীং থিঙমদ্রবা থব়ান্মীচাক, মৈবুল ওইনা ঙাল্লিবা নুমিৎ, মৈশা য়াওদবা ঈংলবা থাজ, শোয়বা নাইদ্রবা মখোয়গী খোঙচৎ, অমুক মম অমুক ঙান, অমুক ঈং অমুক শা, য়েন্নিং-থা, নোংজু-থা, নাকেন-থা, নিংথম-থা অমুক্তা কায়দবা মতমগী খোঙচৎ... চাউর-চাউরবা তুরেলশিংগী ঈচেলনা লেপ্পা লৈতা সমুদ্র-ঈপাক্তা তিল্লসু ব়াংখৎপা লৈত্রবা ঈশিংগী ঈমায়... কয়াদা নীংথিজনা শোয়বা-কায়বা লৈতনা শেল্লল্লিবা এরেঞ্জমেন্ট... মীওইবগী লৌশিংনা য়ৌবা ঙম্বা থাক্তুগী ব়াংমদা লৈবদুদি খঙবা ওইথোক্তবনা হায়বনি - শেন্বীবা অমা লৈতনা করিমত্তা ওইথোক্তে। মরমসিনা শেল্লক্লিবনি - মখুৎ তরা পানবা লাই, মকোক তরা লোঙবা লাই, থবক খূদিং ঙম্বা লাই। কায়নথঙদা হায়রকপনি - অহীং নুংথিল ওইহল্লিবা মহাক্লি, কুমগী কুমওন খায়রিবসু মাননি, ঈশিং-নুংশিৎ-মালেম-অতিয়া পূম্নমক মানা শেন্বনি...।

অসিগুম্বা ব়ারোল কয়াসি খল্লু-নীংলুরগা খল্লকই - সিখশিংগী লাইশঙবু 'গুরুদ্বার' (গুরুগী থোঙ) কৌরল্লিবা, ব়াখল লৈনা থোল্লম্মী। লাইগী শঙ নত্তে সিখশিংনা শারিবা মখোয়দা লৌশিং পীরম্বা গুরুশিংনা চৎখিবা লম্বীদুগী থোঙজাউ অমনি। ঐখোয়সু শাসি অতোপ্পনা শাখিদ্রিবা পূম্নৌ নৌবা পোৎশক অমা। লম্বী অমা শেল্লমসি কনাগুম্বা অমনা অমুক্তসু চৎত্রিবা। অদুবু কৌই ক্রিয়েসন।



লৌশিং পুক্কে

কোক্তা অশোক-অপন য়াওখিবগী খুদোংথিবা

অমুক্তং ওইরবসু কোক্তা অশোক-অপন য়াওবদগী ব্রেন শোকখিবনা পার্কিন্সন'স দিজিজ ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৫৬ হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন ফ্রান্সিস্কোনা মীওই ৩,০০,০০০ রোমদা চথুখিবা ষ্টদি অমদগী ব়াফম অসি খঙলকপনি। কোক্তা শোকখিবা মীওই খুদিংমক পার্কিন্সন'স দিজিজ নাগনি হায়বা ব়াফম লৈত্রবসু দিজেনরেটিভ ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অসি ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক ব়াংনা লৈ হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন ফ্রান্সিস্কোগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রেক্কেল গার্দনরনা ফোঙদোকখি।

মীপুম খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা পার্কিন্সন'স দিজিজ নারকপা য়ুবগী রিস্ক চাদা ১ দগী ২ ফাওবনি। অদুবু কোক্তা অশোক-অপন য়াওবদগী ব্রেন শোকখিবা তারবদি রিস্ক অসি চাদা ৫৬ ওইরকই।

শান্ন-খোৎনবদা মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলবা শান্নরোয় কয়াসু তুংগী পুন্সিদা লায়না অসি শাগোন্নরকপা য়াওই। খুদম ওইনা হায়রবদা বোক্সর মহমদ অলিসু অমনি। মহমদ অলিদা পার্কিন্সন'স দিজিজ লৈরকপগী চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু বোক্সিং শান্নবদা মকোক্তা শোকখিবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মশাগী চহী ৩১ দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৩,২৫,০০০ গী মরমদা কুপ্না থিজিল্লম্মী। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা তংখায় অমরোমদি পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা ট্রোমেটিক ব্রেন ইঞ্জ্যুরি (মকোক্তা শোকখিবা) গী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবা মীওই ঙাক্তনি। অহানবদা মীওইশিং অদু লায়না অমত্তা লৈরমদে। অদুবু চহী ১২ গী মতুংদা মীওই ১,৫০০ পার্কিন্সন'স দিজিজ নাবগী খুদম উবা ফংলকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা মকোক্তা অশোক-অপন য়াওখিবা মীওই ঙাক্তা ওইরম্মী।

অমরোমদা ইটলিগী ভিটা-সেল্যুট সেন রফেল য়ুনিভর্সিটিগী অলেজেন্দ্রো অরিগোনা হায়, মীওইবনা উবা ঙম্বগী মতিক ময়াইদা অহোংবা লাকপা অমসুং মচুগী খেন্নবা খঙলক্তবা হায়বসি পার্কিন্সন'স দিজিজ ওইরকপা য়াই হায়বগী ঙল্লিঙৈদা উৎথোরকপা খুদমনি।

'রেদিওলোজি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা অরিগোনা হায়, উবা ঙম্বগী মওং-মতৌ অমসুং মীৎকী ফীভমদা অহোংবা লাক্লবদি ডোক্তরগা তান্নদুনা পার্কিন্সন'স দিজিজগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা তঙাইফদে।

দেনমার্কতা লৈবা আরহস য়ুনিভর্সিটিগী মোর্টেন জর্সেলনা হায়খি, তূপ্লিঙৈদা হকচাং য়াম্না লেঙবা অমসুং কাওবা থিনবনচিংবা তৌবা হায়বসি পার্কিন্সন'স দিজিজগা মরী লৈনবা দিসওর্দরনি।

'দ লেন্সেট ন্যুরোলোজি' জর্নেলদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টতা মোর্টেন জর্সেলনা হায়, তূপ্লিঙৈদা কাওবা-থিনবনচিংবা তৌবা হকচাং য়াম্না লেঙবগী থৌওং অসি রেপিদ আয় মুভমেন্ট স্লীপ বিহেবিয়র দিসওর্দর নৎত্রগা আর বিদি হায়বা খঙনৈ। মশাগী চহী৫০ দগীনা ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই অয়াম্বা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লৈ। নুপানা নুপীদগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবগী চাং ব়াংই।

হকচাংদা অশোয়বা লৈতবা মীওইশিংদি তূপ্লিঙৈদা মঙ-মঙবা তারবসু তূমিন্না লৈতানা অদুম্মক হিপ্পুনা লৈ। অদুবু আর বি দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি মঙদা উবা থৌদোকশিং অশেংবা ওইরবোই নীংদুনা কাওবা, থিনবা অমদি লাউরকপনচিংবা তৌই।

অমরোমদা, মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্সরশিংনা চথুখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, পার্কিন্সন'স দিজিজনা নারবা মীওইশিং মেলানোমাগী রিস্ক ব়াংই। মেলানোমা হায়বসি স্কিন কেন্সর মখল অমনি। স্কিন কেন্সর মখল অসিনা নারবা মীওইশিংসু পার্কিন্সন'স দিজিজগী রিস্ক ব়াংই হায়রি।

পার্কিন্সন'স দিজিজ হায়বসি নরভস সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈবদগী হকচাং লেঙ-ওৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবগী লায়না অমনি। হৌগৎলকপগী লায়ওংশিংদি খুৎ নীকপা, হকচাং লেঙ-ওৎপা নুংঙাইতবা, চৎপা মতমদা খুৎ হাইবা ঙমদবা অমসুং ব়া ঙাঙবদা খোঞ্জেল ইফা ফাজিনবা অসিনচিংবনি।

খোঙ নৎত্রগা খুৎ নাম্মা নীক্লকপা মতমদা ফনা কন্না হোৎনরবসু ফাজিনবা ঙমদে। হান্নগী মতৌগুম খোঙকাপ লাওনা চৎপা ঙল্লক্তে। ইরায় লায়না তৌবা ঙল্লম্বা থবক মচা-মশু ঙল্লক্তে। চৌক্ত্রিদা ফল্লন্দবদগী ফুক হৌগৎতুনা পাক হেক চৎপা ঙমদে। চুম্না লেপ্লম্বদগী খোঙ থাংদুনা পাক হেক চৎপা ঙমদে। হকচাংগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা মশল ইতিং তিংখৎলক্তুনা লেঙ ওৎপদা অব়াবা মায়োক্লরকই। ব়া ঙাঙবদা অহোংবা লাকই অমসুং হান্নগী মতৌগুম ব়াহৈ পরেং অমা অনী ইনবা হোৎনবদা অব়াবা মায়োক্লরকই।

ব্রেনগী নর্ভ সেলশিং (ন্যুরোন) তপ্না তপ্না শিথরকপদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। ন্যুরোনশিংনা ব্রেনদা কেমিকেল মেসেঞ্জর পুথোক্লগা মথৌ তারকপা মতমদা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং মথৌ তৌহনবনি। পার্কিন্সন'স দিজিজনা নারবা মীওইশিংদদি ন্যুরোন শিখ্রবনিনা দোপামাইন কৌবা কেমিকেল মেসেঞ্জর পুথোকপা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা হকচাং লেঙ-ওৎপা ঙল্লক্তে অমসুং ব়া ঙাঙবদা অহোংবা লাকই।

ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদ্রিবা মরম্না লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী চপ চাবা পাম্বৈসু পুথোকপা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

থা অমদা চেঙ্গুম টন ১.৫ পুথোক্তুনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা মতেং পীরি : রোলেন্দ্রো

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা লাইরিক-লাইশু হৈরবা থবক ফঙদ্রিবা নহা কয়ানা লৈঙাক্কী হ্বাইট কোলর জোব খক্তা তান্নবগী মহুত্তা লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওগা চানবা, মীয়াম্নসু পাম্না চানরিবা চেঙ্গুম থাবগী শীনফম অসিদা মায়পুননা হোৎনরগদি ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন চাউখৎহনবা ঙমগনি।

ব়াফম অসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা বাসিখোং কিত্না পন্নুংদা লৈবা নিঙোম্বম খোমদোন অমদি জামিনিগী মচানুপা নিঙোম্বম রোলেন্দ্রো (৩৭) না পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, মহাক দি এম কোলেজদা বি কোম কুমজা ২০০৫ তা লোয়শিনখি। মহাক লাইরিক তম্না তম্না মহাক্কী মখুরা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা নিঙোম্বম নিংথেমজাওগী মখাদা কুমজা ১৯৯৮ তগী চেঙ্গুম থাবগী শীনফম অসিদা থবক তৌবা হৌরকখি। মহাক্না চেঙ্গুম থাবগী মতাংদা নীংথিনা নোলেজ লৈরবা মতুংদা কুমজা ২০০৩ দগী মশাগী তোঙানবা ফার্ম অমা শেমদুনা চেঙ্গুম থাবগী থবক অসি হৌরকখি।

নোংমদা হৌজিক চেঙ্গুম কেজি ২০ রোমগী মথক্তা পুথোকপা ঙল্লে। মহাক্কী চেঙ্গুম থারিবা মফম অসি পুন্না কা নিপাননি। মদুগী মনুংদা রেক ৩০০ রোম শাই। রেক অমদা চেঙ্গুম থানবা নীংথিনা শেম শারবা প্লাষ্টিক্কা য়োল্লবা পেকেট ১০০ রোম থম্মী হায়রি। চেঙ্গুম হেক থাবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ১৫ নি শুরকপদা চেঙ্গুমশিং অদু মপুং মরৈ ফাদুনা হেকপা য়ারে হায়রি। নুমিৎ খুদিংগী চেঙ্গুম থাবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগীসু চেঙ্গুম হেক্লবা প্রোসেস তৌই।

নোংমদা মহাক্না চেঙ্গুম কেজি ২০ লোম পুথোক্লি। থা অমদা চেঙ্গুম টন ১.৫ রোম পুথোক্লি। মহাক্কী ফার্ম অসিদা নীংথিনা শেম শারগা চেঙ্গুম থানবা মরুসু পুথোক্লি। হৌজিক মিজোরাম, আসাম, নাগালেন্দনচিংবদা দিমান্দ য়াম্না লৈবদগী চেঙ্গুম সপ্লাই তৌরি। মখোয়না চেঙ্গুমদা নত্তনা মরু ফাওবা লৈরি হায়রি।

নোংমদা চেঙ্গুম মরু পেকেট ১২০ রোমদি পুথোক্লি। পেকেট অমদা গ্রাম ৩০০ রোম লুম্মী। চহী খুদিংগী মার্চতগী ওক্তোবর ফাওবদা চেঙ্গুম পুথোকপগী চাং অসি ব়াংই। অদুগা মেদগী সেপ্তেম্বর ফাওবনা দিমান্দ খ্বায়দগী য়াম্মী হায়রি। হৌজিক মহাক্কী থবক শুবা মীওই অহুম লৈ। মখোয়গী খুৎশুমন অসি থা অমদা লুপা ৯০০০, ৮৫০০ অমদি ৭০০০ পীরি। মহাক্কী ফার্ম অসি খরা চাউথোক্লবা হোৎনরি। অদুবু শেল-থুমগী ফিভম খুদোংচাদবনা অব়াবা কয়া মায়োক্লরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মণিপুর লৈঙাক্তগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা ফঙবা লৈত্রি। অদুবু অচৌবা শেনফম অমা ফঙলগদি মহাক্কী ফার্ম অসি খরা হেন্না চাউথোক্তুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন চাউখৎহনবদা খরগীমখৈদি মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ব়ার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২: এগ্রি ব্যুজিনেস ইনকুবেসন (এ বি আই) সেন্তর, আই সী এ আর রিছর্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন, মণিপুর সেন্তরনা শীন্দুনা এগ্রিপ্রেন্যুয়রশিপ দিভলপমেন্ট ফোর ইনক্রিজিং ফার্ম ইনকম এন্দ প্রোমোসন ওফ এগ্রি ব্যুজিনেস ইন মণিপুর হায়বা হিরমদা ষ্টেট লেবেল সেন্সিটাইজেসন ব়ার্কশোপ অমা ঙরাং ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই সী এ আরগী কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রো. প্রেমজিৎ ভাইস চাঞ্চেল্লর, সী এ য়ু, ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, পি এন প্রবীন কুমার জেনরেল মেনেজর, নাবার্দ, মণিপুর আর ও ইম্ফালনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ডা. নরেন্দ্র প্রকাস, দিরেক্তর আই সী এ আর রিছর্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজননা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর এম প্রেমজিৎনা হায়খিবদা, মণিপুরগী মীশিং অসি চাদা ৭৫ দি লৌউ-শিংউবনা শীনফম ওই। মণিপুর অমসুং অতোপ্পা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমত্তা লৈতবা মরম্না লৌউ-শিংউবনা মরুওইবা শীনফম ওইরিবনি। ইন্দষ্ট্রি লৈতবশিনা মরম ওইরগা লৌউবনা শেন্দোং লৈত্রগসু শীনফম অসি থাদোকপা ঙমদে।

লৌউ-শিংউবা অসিসু ঐখোয়না হায় য়িলদিং ভেরাইটিজ শীজিন্নদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকহনবা ঙমগনি। মসিনা লৌমীশিংগী শেন্দোং হেনগৎহন্দনা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম দবল ওইহনগনি হায়বদু লাইনা য়ৌহনবা ঙমগনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এগ্রি ব্যুজিনেস ইনকুবেটর (এ বি আই) গী ইনফোর্মেসন ব্রোচর অমসু ফোঙখি।

থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতসু গো টু ভিলেজগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রোগী পনম নিংথৌ গার্দেন্দা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা গো টু ভিলেজ মিসনগী থৌরমদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট থৌনাওজম শ্যামকুমার শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অদুদা ব়া ঙাঙবদা মিনিষ্টর শ্যাম কুমারনা হায়খি, গো টু ভিলেজ হায়বা থৌরম অসি পব্লিক অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী পাউ ফাওনবা প্লেট ফোর্ম অমনি। মসিদা ষ্টেট অসিনা মীয়ামদা ফংহল্লিবা সর্ভিসশিং অদুগী মরমদা শুগাইনা খঙহল্লি। অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা প্রধান মন্ত্রি অব়াজ যোজনা গ্রামিন স্কিমশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসি সেন্তরগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমনি। লোয়ননা কুমজা ২০২২ ফাওবদা মীয়ামগী য়ুম শানবা পান্দম থল্লিবনি। বেনিফিসরি কয়ানা মসিগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমদবসি মখোয়গী চপ চাবা পাট্টা লৈতবনসু ওইরি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অন্দ্রো হায়বসি হেদমেন অমনা লম পীরগা লৈবা খুল অমনি। মরম অদুনা স্কিম অসি মীওই কয়ানা এপ্লাই তৌবা ঙমদে। মরম অদুনা পাট্টাগী মহুত্তা কষ্টমরি লো নৎত্রগা ত্রেদিসনগী ওইবা চৎনবীশিং অসিনা মহুৎ শিনবা য়াবা মেকানিজম অমা হৌদোক্লবা ব়াফমসু ফোঙদোকখি।

অন্দ্রোগী মীয়াম অসি এনভাইরনমেন্ট ফ্রী ওইবা মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বারুনি চীংশাং লৈবনা অন্দ্রোগী মফম কয়া অসি অশং অমান্না কূপশিনবা মফম অমা ওইরি। অদুবু ইম্ফাল লোম থংবা মায়কৈদদি অদুগুম্বা অশং অমান্না কুপশিনবা চীঙ্গোলশিং মাঙশিল্লক্লে। ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টনসু গ্লোবল ব়ার্মিংনচিংবা ইস্যু কয়া থেংননবা উপাল ব়াপাল কয়া থানবা পান্দম থল্লি।

ষ্টোলশিং অদুদা পুন্না দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল ২০ হাংখি। মদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ রেভিন্যু, দি আই ও/এন আই সী, সোসল ব্বেলফ্যের, হেলথ, পব়ার/এম এস পি দি সী এল, সী এ এফ এন্দ পি দি, এগ্রিকলচর, এদ্যুকেসন, বেঙ্ক, পি ঐচ ঈ দি, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, ফোরেষ্ট, এম ও বি সী, মাইনর এরিগেসন, আই ও সী, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি, ফিসরি, ইলেক্সন, মাহুদ, সেরিকলচর, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, হোম, কাদানচিংবগী ষ্টোলশিং হাংখি লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনখি হায়রি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী এস দি ও কৈরাও বিত্র এলাংবম সোনিয়ানা কেম্প অদু সুপরভাইজ তৌখি।

অমরোমদা সেন্তর অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পায়খৎপা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা হকথেংননা ফংহন্নবগী পান্দমদা খুঙ্গং চৎসি মিসন ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থৌবাল এ সীগী মনুং চনবা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় ইবুধৌ খল্লাংবা শঙলেন, খাঙবোক এ সীগী খাঙবোক পার্ট থ্রি তাঙ্খ্ব লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোল, হৈরোক এ সীগী সিখোং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর পি ঐচ রাজমোহোন য়াওনা খাঙবোক পার্ট ব়ান, টু, থ্রিগী প্রধান অমদি প্রধান নোমিনিশিং লোয়ননা পঞ্চায়ট মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমদুদা থৌবালগী কম্মিস্নর হাওবম রোসিতা, এ দি সী রাধাকান্তা য়াওনা এস দি ওশিং অমদি দি এল ওশিংনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি।



FOR ACTIVE HEALTHY & STRONG LIVER
LIVXON-DS SYRUP
INDICATION:-
1. Increases Bile Floe.
2. Reduces Bilirubin Level
3.Reverses Hepatic Cell Damage
4.Improves Immunity & Liver Function
5.Improves Digestion,Appetite & Constipation.
6. Indicated in Alcoholism & Drug Induced Hepatic Toxicity
Also Usefull in Hepatites,Jaundice,Cirrhosis due to Alcohol & Drugs, Infantile Liver Disorder Anorexia etc.......
APPROVED PRESERVATIVES ADDED
NO ADDED SUGAR
Double Strenght For Liver Protection
AVAILABLE AT ALL LEADING SHOP:
1.Like Imphal Ayurvedic Bhawan Thangal Bazar
2.DPS Arurvedic pharmacy Paona Bazar
HL-P/4036/30/6-27/8(Alt.)
200 ml.
Livxon-DS
Syrup
FOR PROMPT RELIEF FROM
LIVER DISORDERS
Double STRENGTH FOR PROTECTION

JOIN THE
PREMIUM FITNESS CENTRE IN MANIPUR
«RADIANT FITNESS»
360° WELLNESS CENTRE
»GYM »AEROBICS »ZUMBA »YOGA »SPA »SAUNA »COFFEE & MORE...
Visit Us: Palace Compound Gate, Opp. City Convention Hall, Imphal
HL-B/4808/22/8-21/9